**গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর**

**ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স**

**...**

**প্রেস রিলিজ**

**মনুং হঞ্জিন্না লৈবশিং য়াওনা ষ্টেট পূম্বা ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা মৈ ফংহল্লগনিঃ তিঐচ বিস্বজিৎ**

**ইম্ফাল, জন ২৮, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ** পৱার মিনিষ্টর শ্রী থোংঙাম বিস্বজিৎনা হায়, ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা ইহ ২০১৮ ফাওবদা মৈ ফংহল্লগনি। মহাকা ৱাফম অসি গোভর্নমেন্ট অসিগী নুমিৎ ১০০নি মনুংদা পায়খৎপা থৌরমশিংগী মনুং চন্না হোটেল ইম্ফালগী শঙাই হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা "উজালা (উন্নট জিবন বাই এফোর্ডেবল এলইডিজ এণ্ড এপ্লাইয়েন্সেস) য়োজনা" হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখি। থৌরম অদু মণিপুর ষ্টেট পৱার ডিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি অমদি ইনর্জি ইফিসিয়েন্সি লিমিটেড অনিনা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টরনা হায়, 'উজালা য়োজনা' অসি সেন্ট্রেল গোভর্নমেন্টনা ইং ২০১৫দা হৌদোকখিবা থৌরাঙ অমনি। মসিনা ষ্টেট অসিগী কঞ্জুমরশিংনা ইনর্জি চাং হন্থনা শিজিন্নবা ঙমহনবদতা নত্তনা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং পুথোকপা হন্থহন্দুনা অকোয়বগী ফিভম ফগৎহনবদু মতেং পাংলগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

উজালা য়োজনা অসিনা মীপুম খুদিংমকপু কান্নবা পীরগনি অমদি মসিগী থৌরাঙ অসি ষ্টেট অসিগী ডিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা পায়খৎলগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি। চীং অমসুং তম অনিগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসি ফগৎহনবা অসি গোভর্নমেন্ট অসিগী পান্দমনি হায়রদুনা মিনিষ্টরনা মখা তাখি মদুদী চীং অমসুং তম অনি চপ মান্ননা চাওখৎমিন্নবনা লমদম অসিদা ইঙ-তপা লৈমিন্নবা ঙমগনি।

মিনিষ্টর শ্রী বিস্বজিৎনা হায়, মৈগী চাং চাদা ৩৭তি টেকিকেল অমসুং নেকেড ৱায়র শিজিন্নবনা মাঙহল্লি। পৱার ডিপার্টমেন্ট ষ্টেট অসিদা ইং ২০১৮ ফাওবদা নেকেড ৱায়রশিং এভি কেবলনা শিন্দোক্তুনা মণিপুর পূম্বদা মৈ ফংহল্লগনি।

উজালা য়োজনা মপূং ফানা পায়খৎপা ঙমবা মিনিষ্টরনা মীয়ামনা কোওপরেসন পীবিনসু হায়খি। ইনর্জি ইফিসিয়েন্সি সার্ভিস লিলিটেডনসু তুংদা কমপ্লেন লাক্তনবা অফবা মখলগী পোৎলমশিং পীনবসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরম হৌকপা অদু মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ড অমদি খাদি এণ্ড ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি বোডকী চ্যারমেন শ্রী এল. রাধাকিশ্বর, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (পি ঐচ ই, প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেটসনরি, হোর্টিকলচী এণ্ড সোইল কনজর্বেসন শ্রী কে. লৈসিয়ো,  অমদি চিফ সেক্রেটরি, মণিপুর শ্রী ও. নবকিশ্বর সিংহনা মথংশিংনা প্রসিডেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরগী ফমফম লাংখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাঙাঙলোয়শিংনা উজালা য়োজনা শেল-থুম, মৈ, ইনভাইরোন্মেন্ট নচিংবশিংদা পীরিবা কান্নবশিংগী মরমদা পনখি অমদি কঞ্জুমরশিংনা মসিগী কান্নবা অসি লৌনবা ঙাইবিয়ু হায়খি।

উজালা য়োজনা অসি অফবা মখলগী মৈ ফংহনবা, অফবা পোৎলমশিং শিজিন্নদুনা ইলেক্ট্রিক্ট বিল হন্থহনবা অমদি অকোয়বগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং ওইগদবা থৌরাঙ অমনি। থৌরাঙ অসিবু পায়খৎলিবা ইনর্জি ইফিসিয়েন্সি সার্ভিস লিলিটেডনা এলইডি ব্লব লাখ ১০ অমদি এলইডি ট্যুবলাইট লাখ ২ য়েন্থোকনবা থৌরাঙ তৌরি। মসিনা চহি অমদা কঞ্জুমরশিংনা মৈগী বিল লুপা কোটি ৫৫ থিগবদবা অদু থিদবা য়াহল্লগনি। উজালা য়োজনা অসিনা কিলোৱাট কোটি ১৪শু তুংশিনবা ঙমহল্লগনি  অমদি মৈ য়ামা শিজিন্নবা মতমদা  মৈ মেগাৱাট ৩০শু হন্থহনবা ঙল্লগনি। লোয়ননা মসিনা চহিদা কার্বোন্দাইওক্সাইড টন ১,১২,০০০ পুথোকপা হন্থহনবসু ঙ ল্লগনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইনর্জি ইফিসিয়েন্সি সার্ভিস লিলিটেড অমদি মণিপুর ষ্টেট পৱার ডিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেড অনিনানা এলইডি বল্ব লিশিং ৮০ অমসুং এলইডি ট্যুবলাইট লিশিং ২০ য়েন্থোক্কনি।

উজালা য়োজনাগী মকাদা, কঞ্জুমরশিংনা ৱাট ৯গী এলইডি বল্ব লুপা ৭০ অমদি ৱাট ২০গী এলইডি ট্যুবলাইট লুপা ২৩০দা লৈবা ফংহনগনি। গোভর্নমেন্টনা পীবা শক্তাকচে অমদি ইলেক্ট্রিক্ট বিল পুথোক্তুনা য়ুমথোং অমনা ৱাট ৯গী এলইডি বল্ব তরুক অমদি ৱাট ২০গী এলইডি ট্যুবলাইট অনি লৈবা য়াবগী খুদোংচাবা পীরি। খুদোংচাবা অসি এমএসপিডিসিএলগী সবডিভিজন মরি, আই ই ডি-ৱান/টু/থ্রি অমদি ফোরদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ফংহনগনি।

.........................................................................................

BEN/APO(P) No. 688 28/06/2017